**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী থবক লৌবদা নিয়ম চুমা অমদি মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা পান্দমদা চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা ঙসি মণিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী ৱেব সাইট অমা হৌদোকখ্রে।

২) ঐখোয়গী শক্তি, ঐখোয়গী গ্রহ হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি।

৩) বিজিনেস দিজাইন অমসুং নোলেজ বেজ ষ্টার্টঅপ হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা হৌখ্রে।

৪) ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা থা অসিগী ২৬ ফাওবা ময়াই ওইরপ চাংদগী অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়রি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা হৌজিক পায়খৎলিবা থৌশিল থৌরাং অসিনা লাক্লিবা চহি অমা অসিগী তুংগী পুন্সি লেপকনি।

------

এসএসসি (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী থবক লৌবদা নিয়ম চুমা অমদি মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা পান্দমদা চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা ঙসি মণিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী ৱেব সাইট অমা হৌদোকখ্রে। চীফ সেক্রেটরিগী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী পি.কে. সিংহনা মণিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী ৱেব সাইট- ঐচ.টি.টি.পি কোলোন দবল স্লাস মণিপুর এস.এস.সি দোট এম.এন দোট জি.ও.ভি দোট ইন হৌদোকখি। ৱেব সাইট অসি এম.এস ক্যুব টেন টেকোলোজিষ্ট প্রাইভেট লিমিতেদনা শেম্বনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহনা হায়- রাজ্য সরকারনা কম্মিসন শেমদুনা সরকারগী বিভাগশিং, ওর্গনাইজেসন অমসুং ওতোনোবস বোদিশিং, সেমি গভর্নমেন্ট ওর্গনাইজেসনশিংদা সবোর্দিনেট সার্ভিস নত্রগা পোষ্টশিং নিয়ম চুমা লৌনবা হোৎনবদা পরিক্ষা নিয়ম চুমা পাঙথোকবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কম্মিসনার শ্রী টি. রঞ্জিৎ সিংহনা হায়- কম্মিসন অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবকশিং পাঙথোক্কনি অমদি থবক থৌরমশিং মনং মপান ফাওনা, নিয়ম চুমা অমদি অচান মীরাই নাইদনা থবক তৌরমশিং পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- ৱেব সাইট অসি হাংদোকপনা খ্বাইদগী নৌবা ইনফোর্মেসন টেকোলোজি শিজিন্নবগী মাইকৈরোমদা খোঙ থাংজিল্লে। ৱেব সাইট অসি মীয়ামা পাউশিং লৌনবা হোৎনবদা কান্নগনি।

ডে (এল)ঃ  ঐখোয়গী শক্তি, ঐখোয়গী গ্রহ হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি। চহি খুদিংগী এপ্রিলগী তাং ২২ অসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে হায়না পাঙথোক্নুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামা ইং ২০৩০ ফাওবদা ক্লিন ইলেক্ট্রিসিতি পুথোকবা অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমিন্ননবা আপীল তৌরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মালেম শিনবা থুংবদা থৌরম কয়া পাঙথোকবা শেম শারে। মণিপুরদসু নুমিৎ অসি দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ

ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী কিলোমিতর ১২ শাংবা সাইক্লোথোন অমা অয়ুক পুং ৭ তগী লমথাগনি। সাইক্লোথোন অসি রাজ ভবন মমাং ফাওরবা মতুং কৈশামপাৎ, কৈশোমথোং, খাগেমপল্লি, পিশুমথোং, মণিপুর কলেজ, শিংজমৈ সুপর মার্কেট ক্রোসিং ফাওরবা জন্মস্থান, কলিমাই মন্দির, সি.এম. বঙ্গলো, শঞ্জেংথোং, নোংমৈবু, আনন্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুল ফাওরবা মতুং ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি ওফিস য়ৌরগা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগতা লোইশিনগনি।

সাইক্লোথোন অসি এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস (ইন্দিয়া) মণিপুর চেপ্তর, ইদিটরস গিল্ড মণিপুর, অমজ, মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিয়েসন অমসুং রিভর বেঙ্ক সোসাইতি মণিপুরগা লোয়ননা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগনা শিনবনি।

ইসরো ঃ নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্ট প্রোগ্রাম ফোর এৱারনেস, রিচ এন্দ নোলেজ ওন স্পেচকী মখাদা মণিপুরগী মহৈরোই ১৩ অমসুং কোওর্দিনেটর অমা ইসরোগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহৈরোইশিং অদু ইদুকেসন(এস) ভেল্লিগী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর বিশেশ্বর খুমুকচমনা লমথাখি। প্রোগ্রাম অসি কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রালয়গী মখাদা নোর্থ ইষ্ট স্পেচ এপ্লিকেসন সেন্তরনা শিনবনি। খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মহৈরোইশিংদা স্পেচ সাইন্স অমসুং টেকেনোলোজিগী মরমদা হেন্না পুকিং থৌগৎনবনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য ৮ গী সাইন্স মহৈরোই ১০০-১০০ তাঙ্কক নাইনা এপ্রিল থাদগী দিসেম্বর ফাওবা ইসরোদা চৎপগী খুদোংচাবা পীরি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী থৌবাল কলেজদা ঙসি প্লাষ্টিক ফ্রি জোন কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর সরকারগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকা কলেজ অসিগী এন.এস.এস অমদি এন.সি.সি,

য়ুনিতশিং, ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স কমিতি অমসুং গ্রিন ওদিট কমিতিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

ৱার্ল্ড সোইল ডেগা মরী লৈননা দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী গ্রিন ইদুকেসন প্রোগ্রামগী মখাদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লিবা প্লাষ্টিক ফ্রি জোনগী খোঙজংগা মরী লৈননা ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিংদা লৈবা ৱাই.কে কলেজদা মীয়াম্মু হেন্না খঙহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদসু মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং, ককচিং পুলিস অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগা পুন্না খুৎশমদুনা ককচিং বজারদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক শিজিন্নবা থিংনবা খোঙজং অমা চত্থখ্রে। খোঙজং অদুদা প্লাষ্টিকশিং অসি শিজিন্নরম্বা দুকান মরিদগী প্লাষ্টিকশিং ফাগৎপগা লোয়ননা দুকান ফম্বা মীওইশিংগী মথক্তা চলান ককখি।

পেন্সন (এল)ঃ নিউ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈ (এনদোজ)না শিন দুনা শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবী মশাগী চহি ৪০ মথক্কী নুপীশিংদা ইমা ইরৈমা মন্থলি এল্লারেন্সকী শেনফম হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী য়েন্থোক্তুনা লাকপা অদু ঙসি লোইশিনখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী পি.সি.সি মেম্বর ওইনাম রোমেন সিংহগী শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকপা এল্লারেন্স য়েন্থোকপা লোইশিনবগী থৌরমদা ওইনাম রোমেন্না হায়- নুপীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মহাক্কী তঙাইফদবা থবক অমনি। মখা তানসু মখোয়গী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। এল্লারেন্স য়েন্থোকপগী থৌরম অসি থা অসিগী ৭ তগী তাঙ্কক নাইনা চত্থরকপনি। শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা চহি ৪০ মথক্কী

নুপীশিংগী ফিভম খরদা ওইরবসু ফগৎহনবা ঙমবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। পুন্না নুপী ৮৩৩ দা থাগী এল্লাৱেন্স লুপা ৫০০-৫০০ য়েন্থোকখি।

এময়ু (এল)ঃ  বিজিনেস দিজাইন অমসুং নোলেজ বেজ ষ্টার্টঅপ হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিগী রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট সেলনা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ অমসুং ইন্তরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ  মেনেজমেন্ট সাইন্স কোলকাতানা শিনবা থৌরম অদু ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রো সিংহনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবা ভাইস চান্সেল্লরনা হায়- বিজিনেসকী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা মিদিয়াদাশিংদা আর্তিকলনচিংবা ফোংবা ৱাৎপদৌনা তৌরিবা অসি অখঙ অহৈশিংনা মিদিয়াগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংগা খন্নদুনা মীয়ামদা খঙহল্লবদি শেনমিৎলোন চাওখৎহনবদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙমগনি। ৱার্কসোপ অসিদা খরগা হেন্না খন্ন-নৈনদুনা হোংলক্লিবা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা কান্নবা পীগনি হায়বগী মহাকা থাজবা ফোংদোকখি।

থৌবাল (এল)ঃ  থৌবাল জিলাগী খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা অরোং থোং মখোঙদা ঙসি অয়ুক লমগী ৱাহৌদগী ইরাং হৌরকখ্রে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- অরোং থোং মপাদা লৈবা মীওই কয়ানা লম খোপচিল্লি হায়বগী ৱাহৌদগী মফম অদুদা লৈবা য়ুম অমদি দুকানশিং থুগাইদুনা অমাং অতা থোকহনখি। ইরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখি।

বিষ্ণুপুর(এল)ঃ  রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা বিষ্ণুপুর জিলাদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা অমদি মখোয়দা পাংবা য়াবা তেংবাংশিং পীনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা আইবা

চেরোল পীশিনখ্রে। চেরোল অদু চুরাচান্দপুরদা লাঞ্জেন্নরক্কুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী অপুনবা লুপ চুরাচান্দপুর মীতৈ য়ুনাইতেদ কমিতিনা পীশিনখিবনি।

মেমেরেন্দম ঃ থা অসিগী ১৯ দা দিল্লিগী মহারাণিবাগকী মফম অমদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবী বিষ্ণুপুর জিলাগী ঙাইখোং খুনৌদগী প্রিয়ালক্ষমি খাঙেম্বমগী জে.এ.সি অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিল থিদোকপীনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা ৱারোল কয়া য়াওবা চেরোল অমা ঙসি পীশিনখ্রে।

টোক্ক (এল)ঃ রি-থিঙ্কিং মোর্দন মণিপুর টুডে এন্দ টুমোরো হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা অখন্নবা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কলেজ অসিগী সোসিওলোজি অমসুং ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

হোমগার্দ (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী পার্সোনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পি.দি) নাআই. পি.এস অমসুং এম.পি.এস ওফিসার খরা নৌনা ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীবদা হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট ইন-চার্জসু য়াওরকপাগী মায়োক্তা ঙসি মণিপুর হোম গার্দ ইমপোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা আকাশবানি ইম্ফালগী পাউমীগা উন্নবা অমদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট শ্রী য়াংলেম মঙ্গিনা হায়- হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট অসি য়ামা তোয়না শিনবনা মরম ওইরগা ওর্গনাইজেসন অসিগী অমদি পার্সোনেলশিংগী পন্দুনা লৈরিবা য়াইফ থৌরাং কয়া খুমাং চাওশিনবা ঙমহন্দ্রে। মহাক্না হায়-চীফ সেক্রেটরিদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি-

মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া পন্দুনা লৈরি। চৈরক অসিদা আই.পি.এস অমসুং এম.পি.এস ওফিসার খরা নৌনা ট্রান্সফর পীবদা হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট য়াওরিবা অসি ককপীয়ু। এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী মণিপুর হোম গার্দ এক্ট-১৯৮৯ গী সেক্সন ৪ ক্লোস ব্রানগী মতুং ইন্না হোম গার্দকী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনরেল অমা থম্বীনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা হৌখিবা চহী ৫ দগী হৌজিক ফাওবদা কম্মান্দেন্ট ১০ দগী হেন্না শিনখ্রে।

মহাকা হায়-কম্মান্দেন্টশিং তোয়না শিনবনা মরম ওইরগা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী সেনিয়াতি লিষ্ট, প্রমোসনগী গাইদলাইন শেম্বা, কম্মান্দরশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা রেঙ্কতা লৈরিবা পার্সোনেলশিংগী এমজেল শেম্বা, রাসন মণি, পেন্সনগী খুদোংচাবা পীবা অমদি দি.এ চাদ ৩৯ য়ৌনা পীবিনবগী হায়জখিবা থবক থৌরম কয়া খমাং চাওশিনবা ঙমদনা লৈরে হায়বা ব্রাফমশিং য়াওরি। হৌজিক কম্মান্দেন্ট ওইনা লৈরিবা এম.পি.এস ওফিসার অসিনা তেনখ্রবা মতম অসিদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা ওফিসার অমবু নৌনা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীবদা য়াওরকপা অসি লাইবক থিবনি। মরম অদুনা মহাক্কী ট্রান্সফর ওর্দর অসি ককপীনবা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চীফ সেক্রেটরিগী পুকিং চিংশিনখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা থা অসিগী ২৬ ফাওবা ময়াই ওইরপ চাংদগী অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ময়াই থংবা ভারতকী শরুকশিংদা অশাবা নুংশিৎ শিৎকনি। নোংপোক থংবা রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, বিদরভা অমসুং ছত্তিসগরগী মফম কয়াদা থা অসিগী ২৫ ফাওবা অশাবা নুংশিৎ শিৎকনি। ময়াই থংবা ভারত অমসুং গুজরাতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২ হেনগৎলবা য়াই। অদুগা নোংপোক

ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪-৬ ফাওবা হেনগৎলবা য়াই।

অমরোমদা, কেরলাগী মফম কয়াদা ঙসি নোং চুগনি। করনাটক, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবান, তামিলনাদু, পুদুচেরি, করাইকল অমসুং তেলঙ্গনাগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নুংশিৎ শিৎপগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা হৌজিক পায়খৎলিবা থৌশিল থৌরাং অসিনা লাক্লিবা চহি ১০০০ অসিগী তুংগী পুন্সি লেপকনি। মীয়ামা চোকথবা লৈতনা নুমিৎ খুদিংগী, মীকুপ খুদিংগী মঙলান অসিবু মাঙফাওননবা হোৎননবা আপীল তৌরি।

নিউ দিল্লিদা ১৭ শুবা সিভিল সার্ভিসেস নুমিৎকা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী সিভিল সার্ভেন্টশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০-১১ অসিদা মায় পাকা পায়খৎখিবা থৌশিলশিং অসিনা চাওখৎপা ভারত অমা ওইনবগী অচেৎপা য়ুন্থী শেম্লে। চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক মীয়াম হুপা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থবক পাঙথোকপগী মরুওইবসু মহাকা পনখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা অওনবা অমা পুরকবগীদমক ভারতনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হকশেল, সমাজ চাওখৎহন্নবা অমসুং তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা অওনবা পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- গ্লোবেল সাউথকী ওইনা চীঞ্জাক, ঈশিং অমসুং ইনজিগী সেক্যুরিতি অসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা প্রাইম মিনিষ্টরস এৱার্দ ফোর এক্সিলেন্স ইন পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনগী লমদা মথৌ নিংথিনা তৌবগীদমক সিভিল সার্ভেন্টশিংদা মনা পীখি। প্রধান মন্ত্রিনা ই-বুক অনিসু ফোংখি।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী উপ-মুখ্য মন্ত্রি চৌনামেন্না ঙসি অৱাং নোংপোক ভারতকী কলা সংস্কৃতি অমসুং বুদ্ধ ধর্ম্ম হায়বা হিরমদা অন্তরজাতিগী মীফম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। অরুনাচল প্রদেশকী নমসাইদা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনিগী মীফম অসি কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গা ইন্তরনেসনেল বুদ্ধিষ্ট কনফিদরেসনগা পুন্না শিনবনি। হৌদোকপগী থৌরমদা গুৱাহাতিদা লৈবা ভুতানগী কন্সুল জেনেরেল জিগমে থিনলে নমগ্যাল, ইন্তরনেসনেল বুদ্ধিষ্ট কনফিদরেসনগী দাইরেক্তর জেনেরেল অভিজিৎ হলদার, সেক্রেটরি জেনেরেল সরটসে জংচুগ য়াখি।

মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা বুদ্ধা ধর্ম্মনা কলা সংস্কৃতি অমসুং ইতিহাসকা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ চহি ১৩ মখাগী নুপামচাগী ইন্তর ক্লব ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অনৌবা ইমাগী মঙালনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা, গোল্ডন এফ.এনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ৫-০ দা, ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিনা তিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১০ শুবা থৌদাম কুমার মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পিনাকল এফ.এস পুংদোংবম অমসুং য়াদা কাংশোইবী মপাল পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌগল্লুপনা শিন্দুনা চথরকপা ৬ শুবা সেক্তা ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস.কে.দি.সি শঞ্জেনপমনা আই.এন.জে.সি নুংগোইবু পাঞ্জল ২-০ দা, ও.এন.ৱাই.সি ওকসু নিংথেমচা খুলনা মোবাইল এফ.সি উয়ুমপোকপ্পু পাঞ্জল ৪-০ দা অমসুং ৱাই.এস.সি. লৌশাংখোংনা অরংবা এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ চান্দেল জিলাদা অহানবা য়ুনাইতেদ সাউদর্ন এরিয়া ইন্তর ভিলেজ কপ ২০২৫ ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা জিওন তলাং য়ুথ ক্লবনা কপাম দিভলপমেন্ট ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ১৯ মখাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোপি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

------